থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# খা-মণিপুর দ্রামা ফেস্তিবেল- অহানবা নুমিৎ

ওক্তোবর ৫, ২০১৭ - মেরা পুর্ণিমা নুমিত্তা হৌদোক থৌরম পাঙথোকখিবা, লাংমৈদোং দ্রামাতিক য়ুনিয়ন্না শীনবা ৪১ শুবা খা মণিপুর দ্রামা ফেস্তিবেলগী অথোয় অহেন তান্নবা দ্রামাশিংগী পর্ফোমেন্স, ওক্তোবর ১২, শগোলশেন নুমিত্তগী হৌখ্রে। নুমিৎ খুদিংগী দ্রামা অনী অনী উত্তুনা দ্রামা ১৬ - নুমিৎ ৮ নি চঙনা উৎকদবা শো অসি নুংতিগী, নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তগী হৌগনি। অহৌবা নুমিৎকী অহানবা শো ইম্ফালগী কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়গী রোয়েল থিয়েত্রিকেল ক্লবকী 'কুঠি লৌবা' উত্তুনা হৌদোকখি। পূং ১ গা মিনিট ২০ লোম শান্নবা, অতেনবা লীলা ওইরম্বদগী অশাঙবা লীলা ওন্থোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা খরা মায়োক্ল খিবা লীলা অসি শ্রী ধিরেন সিংহনা ইবা, এলাংবম সুরেসনা সিরেক্সন পীবনি। ইচম চম্বা ৱারী অমদা, দিরেক্তরগী ওইবা প্রদক্সন দিজাইন অমদি মেথোদোলোজিদা থোইদোকপা চাংয়েং তৌদনা ইচম চম্না পুথোকপা লীলা অমনি।

ইঙাও ঙাওনা, অচম্বা পুন্সি তৌরৈদা তাউথদুনা, য়ুম্বান পুন্সিদা চহী ৭/৮ হৌখ্রবদসু মমীত্তা মচা উরত্ত্রবদা অহনজাও, মাগী পুন্সি তুংলমচৎ অদুগীদমক মীপাইরকই। মীওইবগী তুংলমচৎ উবা ঙম্বা, মাঙজৌনন্না তাকপা ঙম্বা, মাইবা-পাঞ্জিগী মৱা-মপাউ, থম্মোয় শেংনা থাজরুই। পাখঙ- লৈশা অনী থুংনগনি/ থুংনরোই, পক্লগনি/পক্লরোই, মীৎতা মচা উগনি নৎত্রগা উঙম্লোই - মপোক-ময়ি-মপোক্লোন (কুঠি) য়েংলগা পাঞ্জিশিংনা হায়খিবা - অচুম্বা ওইনি থাজখি। পাখং ওইরিঙৈ খঙনখিবী, মতম অমই চান্নবী মাঙাল্লেদা লৈশারিঙৈ মানা পীথোকখিবা কুঠি অদু অশেংবনি, য়ুমদা লৈরিবদু অশাবনি খন্দুনা, ময়ুম মকৈ পান্দুনা মচা-মৱা লৈখ্রবী মঙাল্লেদগী কুঠি অদু লৌরুরগা অহৈবা পাঞ্জি অমদা য়েংহল্লগা অশেঙবা তুংলমচৎ খঙদোক্লিংলকই। লাংতক্লবা অদুনা য়ুম্বানমিন্নরিবী ঙানবীগা লৈনবা মরী কোমথরকই। কুঠি লৌগে চৎলুবদদি মানা পায়রিবা কুঠিদু অশেঙবদু খঙলকই।

থাজফম থোক্তবা থাজনবী অমনা মীওইবগী পুন্সিবু কয়ামুক লৈতাহন্দবগে হায়বদু উৎলিবা রোয়েল থিয়েত্রিকেল ক্লবকী লীলা অসিবু মথ্বায় হাপ্লিবা ওন-ষ্টেজ অমসুং ওফ-ষ্টেজগী আর্টিষ্টশিং থৱায় চঙনা শান্নরগসু মৈগা থাউগা চানদবা হায়বা মোতোর মেকানিকশিংগী ৱাহায় অদুগুম, খোঙজেল ঈয়াঙ য়াঙদবা, য়াঙলনুদনা হায়রসু খংচেন হেক চেনখৎলকপগুম্বা ইঞ্জিন পানবা গাড়ী অমনা চেনবগুম্না থোকখি। এক্তরশিংবু খরা হেনবা ত্রেনিং অমা পীরবা, ষ্টেজ সেত অমদি প্রোপর্তিজ, এক্তরশিংগী কোষ্টুম অমদি বেকগ্রাউন্দ ম্যুজিক স্কোর খরগা হেন্না চেকশিল্লবা, লীলা অসি অয়েংবশিংবু নুংঙাইহনবা ঙম্বা লীলা অমা শোয়দনমক্কী ওইগনি।

অহানবা নুমিৎকী অনীশুবা শো, ককচিং দ্রামাতিক য়ুনিয়নগী নোংমগী নিংথৌ উৎখি। আরবকী ৱারী শীংবুলগী ৱারী অমদা য়ুম্ফম ওইরগা, নাউরেম কালিমোহন্না দ্রামা ওইনা ইথোক্লগা এম নরান সিংহনা তাকপী তম্বীরগা পুথোকপনি। অবু হসন, বাঘদাদ সহরদা লৈবা, পুকচেল চাউবা, পীজ-পীথক ফবা, মমা লুখ্রাবীনা য়োকপা নহা অমনি। চাথোক-থক্তোকপতমক ফবা, বাঘদাদকী মরুপ-মপাঙশিং, অবুনা অৱাবা নংলবা, খুদোংথিবদা তারবা মতমদা মতেঙ পাংবীবগী ৱাখল লৈতবা, তৌবীমল খঙদবা ময়ামদুদগী লাপ্না লৈনবা মমানা চেকশিন-ৱা কয়ারক পীখি। মীঙমদবা অবুনা মমাগী য়াথং হীক্তোকপমক নৎত্রবসু, মরুপশিংদু তাম্থোকপসু ঙম্লমদে।

নোংমা বাঘদাদকী নিংথৌ (খালিফা), মুসাফির (লম্বী চৎপা) ওইনা শক্লোৎলগা অবু হসনগী ময়ুমদা মীথুং ওইনা থুংলখি। হসনগী মীওক-মীচান, পীজ-পীথক ফবা, পুকচেল চাউবা মতৌদুদা পেল্লদুনা, থকমিন্নরিবা য়ু-দুদা পঙথনবা হীদাক হাপচিল্লগা সনা কোনুংদা পুরগা অবু হসনবু বাঘদাদকী নিংথৌ অনীরক ওইহনখি। মাগী মবুদ্ধি-মরৌশিং চাংয়েংখি। চাংয়েংদুদা পেল্লদুনা, নিংথৌনা অবু হসনবু সনা কোনুংদা থমদুনা, শকহেনবী নুর-জহানগা লুহোংবীদুনা নুংঙাইনা লৈহনখি। অৱাবা শরুক লোইখ্রবা, নুংঙাইবতা মশরুক ওইরকপদদি শুবা-নোম্বা কাউখরে। নিংথৌনা পীবা মরল-মথুম লোইশিল্লক, হিংবই পাম্বৈ লৈরক্তা, তাৎ-পাৎ-নত্তবা পাম্বৈ শীজিন্নদুনা নিংথৌগী মরল-মথুম লৌথোক্লবা হোৎনরক্লে।

তাৎকী লাংদা থুরুরবা নিংথৌরেল, অবু হসনগী থোইদোকপা লৌশিং অদু উরগা মরাল কোঙ্গায় কোকপীদুনা অঙম্বা ওইনা লৌশিনবদুনা পোলোই ওইবা লীলানি। আরবকী ফুঙ্গা ৱারী অমবু, সিরিয়স কমেদি প্লে ওইনা পুথোক্লবা হোৎনবা ককচিং দ্রামাতিক য়ুনিয়নগী 'এক্তেমপ্ত' মায় পাক্লে হায়নিংই। চাংচৎ অমদা এক্তরশিং অমগা অমগা অন্দরষ্টেন্দিং লৈননা লীলা শান্নখি। ইলক্ত্রোনিক অমদি রেকোর্দেদ ম্যুজিক্কী মতেঙনা লীলা পুথোক্লবা মতমসিদা, ষ্ট্রিং ম্যুজিক অমদি ভোকেল সিঙ্গিং লাইব ওইনা ওন-স্তেজদা শকহনবা, এমেচর থিয়েতর গ্রুপশিংদা কুইনা উরুদ্রবনি।

হয়েং নীনি চনবদা, পাখঙবা থিয়েতর, ঙাইরাংবমগী কৈবু কৈওইবা অমসুং ককচিং খুনৌ দ্রামাদিক য়ুনিয়নগী খুঙ্গংগী লৌবুক্লা কপহৌই উৎকনি।



লৌশিং পুক্কৈ

# তূম্বা অমসুং চীঞ্জাক্কী মরক্তা লৈনবা মরী

মীপুম খুদিংমক মপুং ফানা তূম্বা মথৌ তাই। তূমশিৎ ফাদবা নৎত্রগা হেঞ্জিন্না তূম্বা মতমদা মীওইবগী ৱাখল খনবগী মওংদা অকায়বা থোকহল্লকই। মদুনা মরম ওইরগা ইশাগী ইথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমহন্দে।

তূল্লিঙৈ মনুংদা মীওইবগী হকচাং অমদি পূক্লিং-ৱাখল মপুং ফানা পোত্থাবা মরম্না মথংগী অয়ুক য়াহৌরকপদা হকচাং তেকখৎলিবনি। মীওইবনা নোংমদা কয়াম কুইনা তূম্বা মথৌ তাবগে হায়বদুগী মতাংদা মী অমগা অতোপ্পা মী অমগা মান্নদে। অদুবু চাংচৎতা পুং ৭ তগীনা পুং ৯ ফাওবা নুমীৎ খুদিংগী মপুং ফানা তূম্বা মথৌ তাই হায়না লৌনরি।

তূম্বগী চাং ৱাৎপরা নৎত্রগা হেঞ্জিন্না তূম্বরা হায়বদু মথংগী অয়ুক য়াহৌরকপদা মী মশা-মশানা শোয়দনা খঙগনি। অয়ুক য়াহৌরকপদা হকচাং ইচোক-চোকথবগা লোয়ননা খোয়রাং খোয়শাউনবা তারবদি তূম্বা ৱাৎপা নৎত্রগা হেঞ্জিন্না তূম্বগী খুদমনি।

তূল্লিঙৈ মনুংদা গ্রোথ হোর্মোন থাদোরকপা মরম্না পীক্লিবা অঙাং অমসুং ইনখৎলকপা নহা খুদিংমক মপুং ফানা তূম্বা মথৌ তাই। অহল ওইরবা মীওইশিংদি কুইনা তূম্বগী মথৌ তাদে হায়না মীওই অয়াম্বনা শেরান্নবা মওংদা থাজনৈ। অদুবু তশেংবদি অহলশিংসু মপুং ফানা তূম্বা মথৌ তাই। অদুম ওইনমক চহী য়ামশিল্লকপগী মতুংইন্না অহোংবা কয়া লাকপা মরম্না মপুং ফানা তূম্বা য়ারক্তে। ঙাইহাক্তং তূমথরুরগা তোয়না মীৎকপ থোরকই।

মীওইবনা করি মরমগী তূল্লিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। সাইনি টষ্টশিংগী মোত মতুংইন্নদি মীওইবনা হেক পোক্লবা মতুংদা সর্কাদিয়ন রিদম শেমগৎলকপদগী মদুনা হকচাং মনুংগী কেমিকেলশিংদা অহোংবা থোকহন্দুনা তূম্নিংবা ফাওহল্লকপনি হায়রি। মসিদা চীঞ্জাক্ল সু মতেং পাংশিল্লি। কা-হেন্না চাশিনবা নৎত্রগা খজিক্তং চাবনা তূম্বগী মওং মতৌদা অকায়বা থোকহল্লি। খুদম ওইনা তূল্লমদাইদা খরা খজিক চাবনা তূম্বদা নুংঙাইহল্লি। অদুবু কা-হেন্না চাশিল্লবদি চাবা তূমদবা মরম্না তূম্বা য়াহন্দে, তূল্লুরবসু তোয়না মীৎকপ থোকহল্লি।

য়ু হায়বসি ময়া অনী লোঙবা থাঙগুম্বনি। খজিক্তং থকপা মতমদা তূম্বা নুংঙাইহল্লি। অদুবু হকচাংনা অলকোহোল মেটাবোলাইজ তৌরকপা মতমদা মতেক মতেক মীৎকপ থোরকপদগী মপুং ফানা তূম্বা য়াহন্দে। কনাগুম্বা ইন্সোমনিয়া (তূম্বা য়াদবা) গী খুদোংচাদবা মায়োক্লবশিংদি য়ু থক্লগা অমুক্কা হেন্না তূম্বা য়াহন্দে। লোয়ননা দিহাইদ্রেসন তৌহনবদগী নোংঙাল্লগা হকচাং চোকথহল্লি।

অমরোমদা, কেফিন য়াওবা চীঞ্জাক অমসুং মহীনা তূম্বদা অকায়বা থোকহল্লি। তূম্বা য়াদবগী অৱাবা মায়োক্লরবদি য়ারিবমখৈ নুংথিল অমসুং নুমীদাংৱাইরমগী মতমদা কেফিন য়াওবা চীঞ্জাক নৎত্রগা মহী শীজিন্নরোইদবনি। নুমীদাং থেঙনা চাক চাবসু তৌরোইদবনি। চাক চাবা হেক তোকপগা হীপচিনবা মতমদা চাকখাউদগী এসিদ অমসুং গ্যেষ্ট্রিক জুইসনা মথকলোমদা ইসোফেগস (ফুদ পাইপ) লোমদা হাইগৎলকপা মরম্না থবাক শাবা অমদি অতৈ খুদোংচাদবশিং মায়োক্লহন্দুনা তূম্বা য়াহন্দে। তূল্লমদাইদা মহী য়াম্না থক্লবসু মপান থোক্লিংলকপদগী তূম্বা য়াহন্দে।

মপুং ফানা তূম্বা য়াহন্নবগীদমক চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা মথৌ তাই। অদুবু তূম্বা চঙগদবা পুং ২ নৎত্রগা ৩ ৱাৎলিঙৈদদি হকচাং শাজেল খক তৌরোইদবনি। কনাগুম্বনা নুংথিল তূম্বগী হৈনবী থম্বা তারবসু য়ারিবমখৈ নুংথিলদা মতম শাংনা খক তূল্লোইদবনি। মদুনা নুমীদাং তূম্বদা অকায়বা থোকহল্লি।

চাবা-থকপা মতম নাইবগা লোয়ননা য়ারিবমখৈ তূল্লমদাইদা কা-হেন্না চাশিনবা তৌরোইদবনি। চাক চাবা তোল্লগা কেফিন য়াওবা পোৎলম অমত্তা শীজিন্নরোইদবনি।

মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোক্কদবনি। করিগুম্বা হৈনবী অসি থাদোকপা ঙমদ্রগনা তূমগদবা পুং ১/২ ৱাৎলিঙৈদা মৈখু শীজিন্নরোইদবনি। তূল্লমদাইদা কা হেন্না ৱাখল ৱাবা থবক তৌরোইদবনি অমসুং লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংনা ঈরুজথোক্কদবনি।

শঙ্গোমদা ট্রিপটোফেন কৌবা ইসেন্সিএল এমাইনো এসিদ অমা য়াওই। মসিনা ব্রেনদা সেরোটোনিনগী চাং হেনগৎহনবা মরম্না তূম্বা নুংঙাইহল্লি। শঙ্গোম গ্লাস অমদা খোইহী চামচ অমা য়ানশিল্লগা থক্লবদি অমুক হন্না তূম্বা নুংঙাইহল্লি।





# নেসনল পোষ্টেল ৱিক্কী মনুং চন্না ব্যুজিনেস দিভলপমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৩ (ঐচএনএস): সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পোষ্ট ওফিস ইম্ফালনা শীন্দুনা থা অসিগী ৯ দগী চথরকপা নেসনল পোষ্টেল ৱিক্কী মনুং চন্না ঙসি ব্যুজিনেস দিভলপমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

পোষ্ট ওফিস ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিপার্টমেন্ট ওফ পোষ্ট ইম্ফালগী মার্কেটিং ইগজিকুটিব টিঐচ গান্ধীনা ফোঙদোকখিবদা, দিপার্টমেন্ট ওফ পোষ্টতা লৈরিবা ব্যুজিনেস দিভলপমেন্টগী ওইবা খুদোংচাবা কয়া অসি খঙনদবা য়াওরি। ব্যুজিনেস সেক্তরদা পীরিবা সর্ভিসশিং অসিগী মনুংদা লোজিষ্টিক স্পীদ পোষ্ট এক্সপ্রেস পর্সন, মীদিয়া পর্সন অমসুং দাইরেক্ট পোষ্ট হায়না লৈরি। হীরম অসিগী মতাংদা নীংথিনা এৱেয়রনেস ওইবা চঙই।

মীয়ামদা নীংথিনা খঙহন্নবা হোৎনবা তঙায়ফদে। মীয়ামদা সর্ভিস সেক্তরদা লৈরিবা খুদোংচাবশিং অসি ফঙহন্নবা পান্দম থল্লি। পোষ্ট ওফিসতা লৈরিবা ব্যুজিনেস সেক্তরগী হীরম কয়া অসি খঙমিন্নবা চঙই। দাইরেক্ট পোষ্ট অমসুং মীদিয়া পোষ্ট হায়বসি কয়া খঙনদে। দাইরেক্ট পোষ্ট হায়বসি ইন্সটিট্যুসনগুম্বা নৎত্রগা স্কুলগুম্বগী এদভর্টাইজ অসি মীয়ামদা পীদুনা ফঙহনবা হায়বনি।

মীদিয়া পোষ্ট হায়বসিদা এদভর্টাইজদা খুদোংচাবা পীবা হায়বনি। চহী খুদিংগী ওইনা ওক্তোবর ১৩ দা ব্যুজিনেস দে হায়না পাঙথোক্লি। ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টকী মখাদা ব্যুজিনেস কষ্টমরশিংনা বুকিং ফেসিলিটি য়াওদুনা লাকই। পোটেন্সিয়েল ওইবশিংদা কষ্টমরশিংগী ওইবা হীরম কয়াদা খঙমিন্নবা চঙই। উন্নবা, খঙমিন্নবা হায়বসিদা কষ্টমরশিংগী পেন্দবা ৱাকৎ অমদি সজেসন কয়া ফঙবা ঙমই। কষ্টমর অমদি পব্লিক্কী ৱাখলদা পেন্দবা করি লৈ অমদি দিভলপমেন্ট করি লৈরবগে হায়বদু খঙমিন্নবা ঙম্মী।

হৌজিক্কী মতমদা কষ্টমর অমদি পব্লিকনা অচৌবগী মনাক্তা চঙলগা কমপ্লেন তৌনবা ঙমদে। ষ্টাফশিংদা নৎত্রগা খুথাংদা চৎপা ঙাক্তনি। অদুবু ঙসিদি পুন্না উন্নদুনা ৱাকৎ কয়া অমা তাবীরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পোষ্ট কেঐচ ইবোমচানা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রামদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। কষ্টমর অমদি পব্লিকশিংনা পুখৎলকপা ৱাফম কয়া খঙজিনবগা লোয়ননা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সী টি কে, এস রাজেন, আর বি আই ইম্ফালগী কে খোইবী, এন জি বেধাবতি, বি এস এন এল ইম্ফালগী এন নবচন্দ্র, কে রেবিকানচিংবা শক্লাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টকী ফিরেপ তরাম্না ওকই : অমক্তা


ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৩(ঐচএনএস): লৈবাক অসিদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি অমদি কোলেজ ওজা লাখ তরেৎ হেনবদা তরেৎশুবা য়ু জি সী স্কেল পীননবগীদমক সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা থা অসিগী ১১ দা ফিরেপ অমা লৌখিবদু তরাম্না ওকই হায়না ওল মণিপুর কোলেজ টিচর এসোসিয়েসন (অমক্তা) গী জোইন্ট সেক্রেটরি পব্লিসিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ১১ দা সেন্ত্রেল কেবিনেটনা লৈবাক অসিগী য়ুনিভর্সিটি অমদি কোলেজ ওজা লাখ তরেৎৰোমদা য়ু জি সী পে স্কেল পীনবগীদমক ফিরেপ অমা লৌখিবা অদু তরাম্না ওকই। হীরম অসিগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোলশিং অমক্তাদা হৌজিক ফঙদ্রি। মণিপুরগী ওজাশিংগী ওইবা ওর্গনাইজেসন অসিনা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টকী দিসিজন অদু তরাম্না ওক্লি। য়ুনিয়ন ঐচ আর দি মিনিষ্টর অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ ঐচ আর দিগী ওফিসলশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। ওল ইন্দিয়া ফেদরেসন ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ কোলেজ টিচর্স ওর্গনাইজেসনগী লুচিংবশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা অমক্তাদা মপুং ফানা খঙবা ঙমদ্রি। মীদিয়াদা লাকপা রিপোর্টতগী খঙবা ঙম্বনি। ষ্টেট কয়াদদি ফন্দগী অৱাৎপা লৈবনা স্কেল অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা অৱাবা মায়োক্লবা য়াই। ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিনা হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীরক্কনি থাজৈ।

ওল ইন্দিয়া ফেদরেসন ওফ কোলেজ টিচর্স ওর্গনাইজেসনগী মীটিংদা অমক্তানা শরুক য়াগনি। মমাংদা অমক্তা অমদি ওল ইন্দিয়া ফেদরেসন ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ কোলেজ ফেদরেসন্না চঙশিনবা খোঙজং কয়াদা মণিপুরগী ওজাশিংনা শরুক য়াখিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

লৈবাক অসিদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি অমদি কোলেজ ওজা লাখ তরেৎ হেনবদা তরেৎশুবা য়ু জি সী স্কেল পীননবগীদমক সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা থা অসিগী ১১ দা ফিরেপ অমা লৌখিবদু তরাম্না ওকই হায়না ওল মণিপুর কোলেজ টিচর এসোসিয়েসন (অমক্তা) হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# বি জে পি ককচিং মন্দলগী অনৌবা ওফিস হাঙদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৩(ঐচএনএস): ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) ককচিং মন্দল অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী অনৌবা ওফিস শঙলেন অমা ঙসি ককচিং কৈথেল বুধিরাজ রোদতা বি জে পি ককচিংগী দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্ট কেঐচ রঘুমনিনা হাঙদোকখ্রে।

ককচিং মন্দল অমদি দিষ্ট্রিক্ট ওফিসকী শঙলেন হাঙদোকপগী থৌরম অদুদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট কেঐচ রঘুমনিনা থৌরম মপু ওইখি। মনিত্রোনগী চ্যেয়রমেন এম এল এ, ৱাই রাধেশ্যাম, ককচিংগী এম এল এ সুরচন্দ্র, ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেয়রপর্সন এন সঞ্জিৎ অমদি বি জে পি ককচিং মন্দলগী প্রসিদেন্ট কেএসঐচ চাউবনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা অখন্নবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ, ৱাই সুরচন্দ্রনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মালেমনা ইকায়খুম্নবা লুচিংবা অমনি। মহাক্কী ৱাঙাং অমদি তৌথোরকপা থবক পুম্নমক মালেমগী লুচিংবশিংনা ইকায়খুম্নরি। মালেমগী লৈবাকশিংনা ইন্দিয়াবু ইকায়খুম্ন রক্লিবা অসি বি জে পিগী নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলিবা লৈঙাক অসিননি। মণিপুরদসু বি জে পিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা চাউখৎপা অমসুং মরা চেৎপা লৈঙাক অমা পুরক্লবা হোৎনমিন্নরসি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# এলাংবম সোনামনিদা জনঙরিমা মানদ অলঙ্কারন পীরগনি



ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৩(ঐচএনএস): জননপিথ জ্যুরি বোর্দকী মীফমনা মণিপুরী লিটরেট্যুর এলাংবম সোনামনিবু *জনঙরিমা মানদ অলঙ্কারন*-২০১৭ পীননবা লেপ্পখ্রে হায়না ভারতিয়া জননপিথকী দিরেক্তর মিলাধর মন্দলোয়গী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, জজনপিথ জ্যুরি বোর্দকী মীফমনা এলাংবম সোনামনিবু *জনঙরিমা মানদ অলঙ্কারন*-২০১৭ পীনবা খনখিবনি। শক্ল ইরবা মীওই অসি তোঙান তোঙানবা এৱার্দ কয়াসু ফঙলবা মীওইনি। এৱার্দশিং অদুগী মনুংদা মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমী, সেন্ত্রেল সাহিত্য একাদেমী, ত্রান্সলেসন এৱার্দ ওফ সেন্ত্রেল সাহিত্য একাদেমী, থোইবী এৱার্দন- চিংবসু ফঙখ্রবা মীওইনি। জননপিথ জ্যুরি বোর্দকী মীটিং অদু জননপিথ লোরেট প্রো. কেদরনাথ সিংহনা চ্যেয়র লৌখি। বোর্দ অদুগী অতৈ মেম্বরশিংদি, মূর্তিদেবী লোরেট ডা. বিশ্বনাথ ত্রিপাথি অমদি সেনিয়র মীদিয়া পর্সনেলিটি অমদি অথর মধুসুদন অনন্দ য়াওরি। এৱার্দ অসিদা মথং চহী ফাওবগী ওইনা থা খুদিংগী ওনরেরিয়ম ফঙবগী খুদোংচাবা লৈগনি। সাইটেসন অমদি সোল পীদুনা ইকায়খুম্নগনি হায়নসু মখা তারি।

মরকসিদা, জননপিথ এৱার্দ কম্মিটি মণিপুর লেঙ্গুয়েজগী কনভিনর ডা. বিজয় লক্সমী অমদি ডা. এস ব্রজেশ্বর শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এলাংবম সোনামনি কুমজা ১৯২৯ দা মোইরাংখোম লোক্লাওবুং ইম্ফালদা পোকখি। এলাংবম লৈরেন অমদি ইবেমহলগী মরিশুবা মচানি। কোলকটা য়ুনিভর্সিটিদগী মহাক হিষ্ট্রিদা মাষ্টর লোয়শিনখি। দি এম কোলেজদা লেকচরর ওইনা থবক চঙখি। তুংদা ইন্দিয়ন এদমিনিষ্ট্রেটিব সর্ভিসতা থবক পুখি। কম্মিস্নর দিপার্টমেন্টে ইনক্বারি (আই এ এস) ওইনা থবক্তগী পোত্থাখি। মণিপুরীদা শৈরেং, অতেনবা ৱারী অমদি নোভেলগী ৱারী ৪০ গী মথক্তা ফোঙখ্রে। মহাক ইংলিস, বেঙ্গলী, সংস্কৃত অমদি হিন্দি খঙবা মীওইনি। মহাক্লা স্কুল তল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা ইবগী থবক য়াম্না ঙল্লিঙৈদগী হৌরকখি। মহাক্কী অহানবা পব্লিকেসন অসি কুমজা ১৯৪৯ দা পুথোকখিবা সোনেট *ৱাখল শৈরেং* নি। কুমজা ১৯৬২ দা শৈরেংগী লাইরিক *শংবান্নবী, থম্মোয় বিনা, বারুগী ৱারেং শৈরেং, লৌনম চাউবী লৈরাং, অনীথোক্ল বদা, পোমশাৎনবী, মীংনাইদবী, অশিবগী লোলবু অহিংবনা খঙব্রা, ঙাইজরি নঙবু নীংতম্বা, ঐগী ৱাকৎ, যাত্রিক, টু ঈপিক্স* (খন্দ কব্য), *উধবকী পাউ*, *দক্সা যগ্যা* পনবা য়াই।

কুমজা ১৯৬৬ তা সোর্ট ষ্টোরিগী কল্লেক্সন অমসু পুথোকখি। অতেনবা ৱারীগী লাইরিকশিংদি, *ৱোমকুদা, শিকার, মংসট তানবা, জগনাথ পুজারি, মমাংথোং লোল্লবদি মনিংথোংদা লাকউদনা, হায়নবীদো, মৈতৈগী ঈজৎ, ৱাথোকচাও, মরুদো কদায়দা, চোইনৌ* নি।

অতেনবা ৱারীশিং অসিদা মণিপুর খুন্নাইগী সোসিও কলচরেল অমদি ফিলোসোফিকেল ওইবা মশক কয়া উৎলি। মহাক্কী নোভেল, *বাসুমতি*, *হাজারি*, *শেঙ্গোই স্না* সু পনবা য়াই। লাইরিক তরারোমসু মণিপুরীদা মহাক্ল ত্রান্সলেট তৌখি। লাইরিকশিং অদুদি, *চান্দিদাস, রুপা কৌবী শামু*, *মাদর টেরেসা, বাপুগী ৱারী*, *কৃষ্ণ চরিত, ধর্ম্ম তট্ৱা, আরবকী অহিং লিশিং অমা শুপ্না অমগী ৱারী* নি। লাইরিক অহুম অমসু ইংলিসতা ত্রান্সলেট তৌখি। লাইরিকশিং অদুদি, *চান্দিদাস*, *হিজম অঙাংহলস জহেরা, হাজারি* নি।

মহাক কলচরেল, এদ্যুকেস্নেল অমদি সোসল ইন্সটিট্যুট কয়াগা চৎমিন্নবা মীওইনি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী হান্নগী প্রসিদেন্ট ওইরম্মী। রাইটর ফোরমগী প্রসিদেন্ট, মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমী কাউন্সিলগী মেম্বর, মণিপুরী এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমী ন্যু দিল্লিগী কনভিনর, ঈ জেদ সী সী কোলকটাগী মেম্বর, কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী এগজিক্যুটিব মেম্বর, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সিনেট মেম্বরসু ওইরম্মী। হৌজিক মহাক মহারাজা নরসিংহ মেমোরিয়েল কম্মিটি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট, মণিপুর সাহিত্য পরিষদকী লাইফ মেম্বর, কলচরেল ফোরম মণিপুরগী মেম্বর, রাইটর ফোরম মণিপুরগী মেম্বর, এলদর এসোসিয়েসন মণিপুরগী মেম্বরসু ওইরি। হৌজিক ফাওবদা মহাক্লা ফঙখ্রবা এৱার্দশিংগী মনুংদা মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমী এৱার্দ, সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ফোর লিটরেচর ন্যু দিল্লি, চোংথাম বিমোলা বসন্ত এৱার্দ, হেল্লো মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমী, শ্রীমদ পরমহংস স্বামী যোগেন্দ্রনন্দ গিরি মেমোরিয়েল এৱার্দ, সলাম ইবোমচা লক্সমী লিটরেরি এৱার্দ, মণিপুরী সাহিত্য বিষ্ণুপুর, সাহিত্য রত্না মণিপুর সাহিত্য পরিষদ অসাম, রাইটর ওফ দি ইয়ার (মণিপুর সাহিত্য প্রেমী), থোইবী এৱার্দ, কলচরেল ফোরম ত্রান্সলেসন এৱার্দ সাহিত্য একাদেমী দিল্লিনচিংবসু পনবা য়াই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# এদভাইজরি বোদি শেমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৩(ঐচএনএস): উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা হ্যুমেন ত্রাফিক্কিং প্রিভেন্ট তৌনবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট লেবেল এদভাইজরি বোদি অমা শেম্লে হায়না সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস উখ্রুলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, দিষ্ট্রিক্ট লেবেল এদভাইজরি বোদি অসিগী চ্যেয়রমেন্না উখ্রুলগী সুপরিন্টেন্দেন্ট হেমন্ত মহেসনরায়ন, মেম্বরদা প্রোজেক্ট ওফিসর এফ এক্স বি সুরক্সা, ৱুংঙৈশো শংঙ্গ, পার্টিসিপেটরি এক্সন ফোর সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী দিরেক্তর গাজেন্দ্র প্রসাদ মহোনলি, এক্সন ফোর ৱুমেন ইন দিভলপমেন্টগী সেক্রেটরি নিংথিংলা ৱুইভানাও, তাঙ্খুল শানাও লোংগী প্রসিদেন্ট গ্রেস শটশাং অমদি দিষ্ট্রিক্ট চাইল্দ প্রোটেক্সন ওফিসর পবিত্রা থিংবাইজমনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা হ্যুমেন ত্রাফিক্কিং প্রিভেন্ট তৌনবা অমদি থবকশিং মপুং ফানা পায়খৎনবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট লেবেল এদভাইজরি বোদি অদু শেমখিবনি। এদভাইজরি বোদি অসিদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী এস পিনা চ্যেয়রমেন ওইরি। সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়াগী মীহুৎশিংসু মেম্বর ওইনা য়াওরি হায়নস সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস উখ্রুলনা থোকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।